‘ঐহাক হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লক্লি’

শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মেহবুবা মুফটিনা মহাক শ্রীনগরদা লৈবা ময়ূমদা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লক্লি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ট্বীটর পোষ্ট অমদা মুফটিনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা অফঘানশিংগী রাইট লুনা লৌরবসু কাশ্মিরিশিংগী রাইটতি ফংহন্দ্রি। জি ও আইনা অফঘানশিংগী রাইটনা লুনা লৌরগা অতম্না কাশ্মিরিশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিংদি ফংহন্দ্রি। এদমিনিষ্ট্রেসননা কাশ্মিরগী ফিভম নোর্মেল ওইদে খন্দুনা ঐহাক ঙসি হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লক্লি। মসিনা কাশ্মিরদা নোর্মেল ফিভম ফগৎলক্লে হায়রিবসি শেমজিন-শাজিনবনি হায়বা উৎলে ।

হৌখিবা য়ুমশকৈশগী নুমিদাং অথেংবদা লৈখিদবা সেপরেটিষ্ট লীদর সয়েদ অলি শাহ গীলানিগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরম অদু ইমুংগী অপাম্বা মতুং ইন্না পাঙথোক্কদবনি হায়না মুফটিনা ফোঙদোকখিবা মতুং মথংগী নুমিৎতা খোঙথাং অসি লাকপনি। য়ুমশকৈশা নুমৎকী অঙনবদা জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসনা থাগৎপা ভিদিও ক্লিপশিংদা ইস্লামিক লাইশোন-তিনশোলশিংগা লোয়ননা গীলানিবু লৈরোল চনখিবগী শক্তমশিং উখি। মদুনা লৈখিদ্রবা সিনিয়র সেপরেটিষ্ট লীদর অসিবু ইকায় খুম্নবীরে হায়না চিংনবশিং কোকহনখি।

রাজনিশ ইকনমিক এদভাইজর হাপখ্রে

অমরাভটি, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): অন্ধ্র প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা হান্নগী এস বি আই চ্যেরমেন রাজ নিশ কুমার ইকনমিক এদভাইজর হাপখ্রে। কেবিনেট রেঙ্ককী ফম অদু রাজনিশ কুমারনা চহী অনী পায়গনি। কোভিদ পেন্দমিক্কী চৈথেং নংবদগী ষ্টেট অসিগী শেল-থুমগী ফিভম শোকচিল্লক্লে হায়না মায়কৈ কয়াদগী নুংনাংবা ফোঙদোক্লরিঙৈদা এপোইন্টমেন্টকী খোঙথাং অসি লাকপনি। ৱাই এস জগন মোহন রেদ্দিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা মীয়াম্বু পেলহন্নবা প্রোগ্রাম অমসুং স্কিম কয়া পায়খৎপদা ষ্টেটকী শেঙ্গাও হাংলে হায়না ওপোজিসননা কন্না ক্রিটিসাইজ তৌদুনসু লাক্লি।

ইকনমিক এদভাইজর ওইনা রাজ কুমারনা গভর্ণমেন্টপু শেল-থুমগী অৰুবা ফিভমশিং অসি কোকহনবদা মতেং পাংগনি হায়না থাজনরি। কুমজা ২০০৬কী ওক্টোবরদা এস বি আইগী চ্যেরমেন ওইনা থবক্তগী পোথাখিবা ৰাজনিশ কুমার হোংকোং অমসুং সাংহাই বেঙ্কিং কোর্পোরেসনগী ইন্দিপেন্দেন্ট নন-ইগজেক্যুটিভ দিরেক্টর অমনি।

অফঘান ইভাক্কী ৭৮ দেল্লীদা লৈবা আই টি ভি পি ক্কারন্টিন সেন্টরদগী রিলীজ তৌখ্রে

ITBP QUARANTINE CENTRE
CHHAWLA

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): ন্যু দেল্লী চাওলা কেম্পতা লৈবা ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)গী ক্কারন্টিন সেন্টরদা তঙায় ফদবা নুমিৎ ১৪ নিগী মতম লোইখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানদগী হোল্লকখিবা ইভাক্কী ৭৮ মক লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফেসিলিটি অদুদগী মখোয়গী মফমশিংদা চৎপা য়াহনখ্রে।

ইভাক্কী পুম্নমক আই টি বি পি মেদিকেল টিমশিংনা রেলনোন সর্টিফিকেটশিংসু পীখি। গ্রুপ অদুদা অফঘান নেসনল ৫৩ (নুপা ৩৪, নুপী ৯ অমসুং অঙাং ১০) অমসুং ইন্দিয়ন ২৫ (নুপা ১৮, নুপী ৫ অমসুং অঙাং ১২) য়াওই।

ইভাক্কী ৮৭ অসি লান্না কাং-খোং চাইহল্লবা অফঘানিষ্টানদগী প্লেনদা হোল্লক্লবা মতুং ওগষ্ট ২৪দা আই টি বি পিগী ক্কারন্টিন ফেসিলিটি অদুদা থমখিবনি। আই টি বি পিগী স্পোক্সপর্সন ভিভেক পান্দেনা হায়, হৌজিক মীওই ৩৫ (ইন্দিয়ন ২৪ অমসুং নেপালিজ ১১) সেন্টর অসিদা ক্কারন্টিন তৌরি। মখোয়সু সেপ্টেম্বর ৮দা ক্কারন্টিন মতম মপূং ফারগা রিলীজ তৌগনি।

লৈফম-চাফম, চান-থক্নবা পোৎলমশিং ইন্টরটেনমেন্ট, ইন্দোর গেমস, ৱাই-ফাই অমসুং কেন্টিননচিংবা ফেসিলিটি পূম্বা মখোয়দা লেম্না ফংহনখি। ক্কারন্টিন মতম অদুদা ফোর্স অসিগী কাউন্সেলরশিংনা য়োগা অমসুং ষ্ট্রেস কাউন্সেলিং সেসনশিংসু শীন-লাংখি।

চাওলা কেম্পতা লৈরিবা আই টি জি পিগী ক্কারন্টিন সেন্টর অসি চাইনাদা কোরোনাভাইরসকী ইপিসেন্টর ওইখিবা ৱুহানদগী পুরকখিবা ইন্দিয়নশিং অমসুং ফোরেন নেসনল ক্কারন্টিন তৌনবা হৌখিবা চহীগী জন্যুৱারীদা শাখিবনি। মসি আই টি বি পিনা ১০৩০গী ক্কারন্টিন সেন্টর য়াওবা অহানবা হেল্থ ফেসিলিটিনি।

হৌজিক ফাওবদা সেন্টর অসিদা বাংলাদেশ, চাইনা, ম্যান্মার, মালদিভস, য়ু এস, সাওথ অফ্রিকা, মদাগস্কর অমসুং অফঘানিষ্টান নেসনল ৪২ য়াওনা মীওই ১,২০০ হেন্না ক্কারন্টিন তৌখ্রে। মীওইশিং অসি কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারীদগী মে ফাওবদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী হোল্লকখিবা ঙাক্তনি।

মুসলিমশিংনা কিদনবা আপীল তৌখ্রে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী মাইনোরিটি কম্যুনিটি ওইরিবা মুসলিমশিংবু থেল্লদুনা রাষ্ট্রিয়া স্বায়মসেবক সঙ্ঘগী চীফ মোহন ভগৱটনা নৌহৌননা অমুক হায়খ্রে মদুদি, লৈবাক অসিদা লৈরিবা মুসলিমশিংনা কিনিঙাই ওইদে। মখোয়না লৈবাক অসিবু চাওখৎহনবা হায়বা অপূনবা পান্দম অমগীদমক্তা মশিং য়াম্বা কম্যুনিটিগা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নগদবনি।

পুনেদা লৈবা গ্লোবেল ষ্ট্রেটেজিক পোলিসি ফাওন্দেসন (জি এস পি এফ)না শীন্দুনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা মুম্বাইদা পাঙথোকখিবা ‘নেসন ফর্ষ্ট, নেসন সুপ্রিম’ হায়বা থৌরমদা ৰা ঙাঙলদুনা আর এস এসকী সরসঙ্ঘচলাক অসিনা হায়খি, হিন্দুশিংনা কনামত্তবু থিংদুনা য়েক্লবনি হায়না খঙবা লৈতে। লৈবাক অসিবু চাওখৎনবা কাঙলুপ অনিনা খুৎশম্নন থবক তৌমিন্নগদবনি।

ভগৱটনা মখা তানা হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা হিন্দুশিং অমসুং মুসলিমশিংগী পারী পুরি মান্নে। ইন্দিয়াদা লান্দারকখিবশিংনা ইস্লামিক লাইনিং লাইশোন পুশিল্লকখি হায়বসি খূদিংমক্লা খঙনরবা পুৱারীগী ফেক্ট অমনি। মসি লোৎশিন্দুনা থম্বা য়াদবা ৰাফম্নি।

নুংশিরবা ঐখোয়গী ইমা লৈবাক অসিদা লৈমিন্নরকপা অমসুং ইনাক খুল্লবা হেরিটেজনা লৈবাক অসিদা অমত্তা ওইবগী শক্তম শাগৎলিবনি। দি এন এ মান্নরিবা কাঙলুপ অনীনা পূন্না হোৎনমিন্নদুনা লৈবাক অসিবু চাওখৎহনগদবনি। ভাগৱটকী মতুং ইন্না, ইন্দিয়নশিংনা মতম চুপ্পদা অতৈগী নৎত্রগা মীপূম খূদিংমক য়াইফনবা থবক তৌখি।

কেরেলাদগী লাকপা পেসেঞ্জরশিং চেকশিন্না মোনিটর তৌবা হৌখ্রে

চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): কোঝিকোদতা লৈবা চহী ১২গী নুপামচা অমা নিপাহ ভাইরস এটেকনা মরম ওইদুনা শিখ্রবা মতুংদা টামিল নাদু গভর্ণমেন্টনা কেরেলাদগী ষ্টেট অসিদা লাকপা মীওইশিং চেকশিন্না মোনিটর তৌবা হৌখ্রে।

চেক পোষ্টশিংদা চেকশিন্না মোনিটর তৌনবা ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা কেরেলাগা বোর্দর লোন্নবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ ওফিসরশিংদা গাইদলাইনশিং পীখ্রে। চেক পোষ্টশিংদা পুলিস মতিক চানা ঙাকহনবগা লোয়ননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা বোর্দরশিংদা মপূং ফারবা মেদিকেল টিমশিংসু থমখ্রে।

কেরেলাগা লোন্নবা লম্বী খূদিংমক্তা স্ক্রিনিং টিমশিং থম্নবা কৈন্যকুমারি, থোনি, ভেনকাসি, নিলগিরিস, কোইম্বাটোর অমসুং তিরুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ ওফিসরশিংদা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে। মখোয়দা ফিভরগী লাইওংশিং উৎপা মীওইশিংদগী সেরেব্রোস্পাইনেল ফ্লুইদ (সী এস এফ) সেম্পলশিং, ব্লদ সেম্পলশিং, থ্রোট স্কাবশিং অমসুং য়ুরিন লৌনবা ইন্সট্রক্সন পীখি।

কেরেলাদগী টামিল নাদুদা চঙলকপা পেসেঞ্জর পূম্নমক বোর্দর এরিয়াশিংদা থল্লিবা মেদিকেল ফেসিলিটিশিংদা ফিভর চেকঅপ তৌগদবনি। কোইম্বাটোরদা লৈবা প্রাইভেট কম্পনি অমদা থবক তৌবা রাজন ৱারিয়র কৌবা অমনা মহাক ৱালায়র বোর্দরদা ফিভর চেকঅপ তৌখি হায়না ফোঙদোকখি।

ফার্ম লোশিংগা মরী লৈনবা কম্মিটিগী রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহন্নবা তকশিনখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): লৌমীশিংনা সেন্টরগী ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হরয়ানাগী কর্নালদা কিসান মহাপঞ্চায়টতা শরুক য়ানবা লৌমী কয়ানা অনৌবা গ্রেন মন্দিদা পুল্লিঙৈ চৈরক্তা ফার্ম লৌশিংদুগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা কম্মিটিগী মেম্বরশিংগী মনুংদা অমনা চীফ জষ্টিস এন ভি রামানাদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা পেনেল অদুগী রিপোর্ট পব্লিক দোমেনদা রিলীজ তৌনবা অমসুং গভর্ণমেন্টতা খঙহন্নবা তকশিনখ্রে।

শেটকারি সনখাতানাগী প্রসিদেন্ট অনিল ঘনৱাটনা সি জে আইদা থাবা লেট্টর অদুদা হায়, লৌমীশিংনা চিংনরিবা অমসুং কিনরিবা হীরম খূদিংমক রিপোর্ট অদুনা কোকহল্লগনি। পেসেন্টকী রিকমেন্দেসনশিং অদুনা কুমজা ২০২০গী নভেম্বর ২৬তগী হৌখিবা লৌমীশিংগী খোঙজং অসি লৈখায় তাবগী লম্বী ফাৎলগনি হায়না কম্মিটি অসিনা থাজে।

মরু ওইনা লৌমীশিংগী কম্যুনিটি রিপ্রজেন্ট তৌবা কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইনা হৌজিক ফাওবদা লৌমীশিংনা পুখৎলিবা ইস্যুশিং ৱারোইশিন পুরক্তনা লৈরিবা অমসুং মখোয়না মখা তানা খোঙজং চঙশিন্দুনা লৈরিবসি অৱাবগী মশক্নি।

ঐহাক্কী ৱাখলদা সুপ্রিম কোর্টনা কম্মিটিগী রিপোর্ট অসিদা মীৎয়েং অমত্তা চঙবীদ্রে হায়না লৌই। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা অথুবা মতমদা লৌমীশিংনা পেনগদবা মওংদা ৱাথোক অসি ঈংনা-চিক্না লৈখায় তানবগীদমক্তা রিকমেন্দেসনশিং অদু ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা রিপোর্ট অসিবু পব্লিক দোমেনদা রিলীজ তৌনবা ঐহাক্না সুপ্রিম কোর্টতা হায়জরি হায়না ঘনৱাটনা লেট্টর অদুদা ইখি।

সুপ্রিম কোর্টনা ফার্ম লো অহুম অদুবু ইমপ্লিমেন্ট তৌবা থীজিনবগা লোয়ননা জন্যুৱারী ১২দা কম্মিটি অমা শেমদুনা লোশিং অদুগী মতাংদা রিকমেন্দেসনশিং য়াওবা রিপোর্ট অমা চহী অসিদা থাগৎলক্নবা খঙহনখিবনি।

ফার্মশিং কম্যুনিটিগী মীহুৎ অমা ওইনা ঘনৱাটপু কম্মিটি অদুগী মেম্বর অমা ওইনা খনখি।

ফার্ম লো অহুমদুগী মতাংদা রিপোর্ট সবমিট তৌরক্নবা কম্মিটিদা থা অনীগী মতম পীখি। লৌমী কয়া অমসুং ষ্টেকহোল্ডর কয়াগা কূপ্না তানরবা মতুংদা কম্মিটিনা মার্চ ১৯ দেদলাইন মাঙওইননা রিপোর্ট সবমিট তৌখিবনি।

লৈবাক অসিগী অচৌবা রিজর্ভর ১৯দা লৈবা ঈশিং নোর্মেলদগী চাদা ৫০ হেন্না হন্থরে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): সেন্ট্রেল ৱাটর কম্মিসন (সী দব্লিয়ু সী)না মোনিটর তৌখিবা অচৌবা রিজর্ভর ১৩০গী মনুংদা রিজর্ভর ১৯দা লৈরিবা ঈশিংগী চাং অসি হৌখিবা চহী ১০গী এভরেজগা চাংদম্নবদা চাদা ৫০নি নৎত্রগা মসিদগী হন্থে হায়বসি সেপ্টেম্বর ২ ফাওবদা কম্পাইল তৌখিবা দেটানা উৎখ্রে।

সী দব্লিয়ু সীগী দেটা অদুগী মতুং ইন্না, রিজর্ভর ১৩০ দুগী মনুংদা রিজর্ভর ২৭তা লৈরিবা ঈশিং হৌখিবা চহীগা চাংদম্নবদা চাদা ৫০গা মান্নে। দাম অহুম হায়বদি গোভিন্দ সাগর (ভাক্রা), পোং দাম (বিস) অমসুং সর্দার সারোভারগী ষ্টোরেজ পোজিসন অসিনি। গোভিন্দ সাগরগী ষ্টোরেজ অসি নোর্মেল ষ্টোরেজ লেভেলগী চাদা ৭৩নি, পোঙ দামগীনা চাদা ৫৮নি। সরদার সারোভার রিজর্ভরগী লাইভ ষ্টোরেজ অসি হৌখিবা চহী ১০গী এভরেজগা চাংদম্নবদা চাদা ৬৫নি।

লৈবাক পূম্বগী ওইনা অপূনবা ষ্টোরেজ পোজিসন হৌখিবা চহীগী মান্নবা মতমদা লৈখিবা লেভেলশিংদগী হন্থরি অমসুং হৌখিবা চহী ১০গী মান্নবা মতম মনুংদা লৈখিবা এভরেজ ষ্টোরেজদগীসু হন্থরি। সী দব্লিয়ু সী দেটা অদুগী মতুং ইন্না, হৌখিবা চয়োল ফাওবদা ষ্টোরেজ লেভেলশিং মমাঙগী চহী অমদি হৌখিবা চহী ১০ অনীমক্কী দেটাগা চাংদম্নবদা মান্নবা নৎত্রগা খিত্তং ফগৎপদগী ষ্টোরেজগী ফিভম খরমখৈ ফখি।

রিজর্ভরশিং অসিগী লাইভ ষ্টোরেজগী চাং অসি বি সী এম ১১১.৬৯১নি। মসি অপূনবা লাইভ ষ্টোরেজ কেপাসিটিগী চাদা ৬৫নি। অদুম ওইনমক হৌখিবা চহীগী মান্নবা মতমদা বি সী এম ১৪০.০৫১ লৈখি অমসুং হৌখিবা চহীদা লৈখিবা লাইভ ষ্টোরেজ এভরেজনা বি সী এম ১১৯.০২৬নি। অসুম্না লাইভ ষ্টোরেজগী চাং মমাঙ চহীগী মান্নবা মতমদা লৈখিবদুগী চাদা ৮০নি অমসুং হৌখিবা চহী ১০দা লৈখিবা এভরেজ অদুগী চাদা ৯৪নি।

রিজর্ভরশিং অসিনা রবি সিজন মনুংদা লৌউ-শিংঊগী মথৌ তাবশিং ফংহল্লি। রিজর্ভর খরদি হাইদ্রোপৱার পুথোকপদসু শীজিন্নে।

মৈনা চিংবদা নুপা অমা, ষণ ১৫ শিরে

মোরাদবাদ (য়ুপি), সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): মথক্তা তিংবা কে ভি ১১,০০০গী লাইভ কেবল অমা তৎলগা পুখ্রিদা তাশিনবদগী পুখ্রিদুদা লৈরম্বা নুপা অমা অমসুং ষণ ১৫ মৈনা চিংদুনা শিখ্রে। থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা চিতেরি খুঙ্গংদা থোকখিবনি।

মৈনা চিংখিবা নুপা অদু থৌদোক অদুদা হকচাংগী শরুকশিং ফিভম থীনা চাকথেকখি। মহাক মোরাদবাদতা লৈবা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা পুখৎলগা লায়কন্নরিঙৈদা লৈখিদবনি।

হাই পৱার ইলেক্ট্রিক কেবল অদু তৎলবা মতুং মখোল হৌনা লাংবগী মখোল তাবদগী খুঙ্গাশিং পুখ্রি অদুদা লাক্লখি। মখোয়না নুপা অদুগা লোয়ননা ষণ অশিবশিং পুখ্রিদুদা তাওরম্বা উখি। পুলিস টিম অমসু মফমদুদা লাকখি।

চৈরকসিদা খোইরাং খোইশাওরবা খুঙ্গাশিং পুন্দুনা চেকশিন্দবগী মরালদা পৱার দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা দিমান্দ তৌখি। পুলিস ওফিসলশিংনা মতুং তাবদা খুঙ্গাশিং অদুবু থেমখি অমসুং এক্সন লৌখৎকনি হায়না থাজবা পীখি। কুন্দার্কি ষ্টেসনগী হাউস ওফিসর সন্দীপ কুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, মশাগী চহী ৩০ শুরবা ইমরাত আলি কৌবা মীওই অদু হোস্পিটালদা লায়কন্নরিঙৈদা শিখি। হৌজিক ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবা হৌরে।

টেলঙ্গনাগী ঈচাওগী ফিভম সী এমনা রিভিয়ু তৌখ্রে

হায়দরবাদ, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): খোঙচৎ অমদা ন্যু দেল্লীদা লৈরিবা টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাও (কে সী আর)না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ষ্টেট অসিগী ঈশিং-ঈচাওগী ফিভম রিভিয়ু তৌখ্রে।

নোং কন্না চুবদগী থোক্লিবা ঈশিং-ঈচাওগী ফিভম রিভিয়ু তৌনবা চীফ মিনিষ্টর রাওনা চীফ সেক্রেটরি সোমেশ কুমারগা ফোনদা ৱারী শানখি অমসুং দিরেক্সন কয়া পীখি। দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরশিং অমসুং ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনবু মীকূপ নাহুম শিংনা লৈনবা অমদি মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎনবা রাওনা চীফ সেক্রেটরিদা খঙহনখি। নোং লেপ্তুনা চুবদগী তুরেল অমসুং পাৎ কয়া ঈমায় পানা চেল্লকপদগী ঈচাওনা শোক্লবা খুঙ্গংশিং অমসুং মন্দলশিংগী মীয়ামদা খুদোংচাদবশিং য়ারিমখৈ থোকহন্দনবা রাওনা দিপার্টমেন্টশিংদা দিরেক্সন পীখ্রে।

নোং লেপ্তুনা চুবা অদুনা ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লায়, লমবীনচিংবদা শোক্লকপা য়াবগী ফিভম লৈবনা কে সী আরনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসলশিংদা মীকূপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। ম্যুনিসিপাল এদনিষ্ট্রেসন, পঞ্চায়ত রাজ, রোদ এন্দ বিল্ডিং অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টশিংদা খ্বাইদগী নেম্বা থাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংদগী হৌরগা ষ্টাফ পূম্বা মীকূপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

নোং কন্না চু বদগী প্রোজেক্ট কয়া, পাৎশিং অমসুং পুখ্রি কয়া ঈমায় পাথোকপনা মরম ওইদুনা অনেম্বা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিংবু অৱাবা নংহন্দনবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকদবনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ইন্সট্রক্সন পীখি।

ৱাটর রিসোর্ছেস দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং মীকূপ-নাহুম শিংনা লৈনবা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা দিরেক্সন পীখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
COMMAND AREA DEVELOPMENT DEPARTMENT
MANIPUR

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Imphal, the 7th September, 2021

No.4/CADA-DPC/2016 : In partial modification of Notification of even No. dated 21st November 2019 and 31st August 2021, the Command Area Development Department, Manipur invites intending candidates for appointment in the Command Area Development Department to the following post on Temporary basis through sponsorship of the concerned Employment Exchanges in Manipur.

Sl. No.	Name of Posts	Qualification	Pay Band	No. of Post	ST	UR
1	Draftsman Grade - II	Diploma in Architecture or National Trade Certificate course for 2 (two) years duration in Draftsman (Civil/ Mechanical) from a recognised Institute	5200-20200 +2400 (GP)	1(one)		1(one)
2	Driver	i. Class-X passed/ Matriculate/HSLC/ Equivalent from a recognised Board/Institute ii. Driving experience for 3 years possessing requisite driving licence	5200-20200 +1900 (GP)	3(three)	1(one)	2(two)
3	Tracer (Draftsmen Grade – III)	National Trade Certificate course for 2 (two) years duration in draftsman (civil/ Mechanical) from a recognised Institute	5200-20200 +1900 (GP)	1(one)	1(one)	-
4	Surveyor	i. Matriculation/HSLC Examination passed from a recognised University/ Board. ii. Pass Senior Surveyor's course of a recognised Technical Institute.	5200-20200 +2400 (GP)	2(two)	-	2(two)

2. Receive of sponsorship from different Employment exchanges will be upto **16th of September 2021.**
3. The revised schedule for the conduct of the written examination.
   (a) Issue of application form and Submission of duly filled in application form - upto 4:00 pm. of 17th September, 2021
   (b) Issue of Admit Card after scrutiny - 15th, 16th & 17th September, 2021 Upto 5:00 pm of 17th September, 2021
   (C) Date of Written Examination - 19th September, 2021(Sunday) Venue and time of the written examination will be indicated in the Admit Card

Form will be issued on payment of Rs. 500/- (for General and OBC Candidates) and Rs. 300/- (for SC & ST) from the office of the undersigned.

Sd/- Suresh Singh Ningombam
Additional Chief Engineer,
Deptt. of Command Area Development,
Govt. of Manipur.

HL-B/7136/8&9

Azadi Ka Amrit Mahotsav

MESSAGE

The 3rd National Lok Adalat organized under the aegis of National Legal Services Authority will be held on this coming **Saturday, the 11th day of September, 2021**. Manipur State Legal Services Authority along with High Court Legal Services Committee and all District Legal Services Authorities will be organising such Lok Adalats from time to time and any person can contact the offices given below, if they are not able to make it for this upcoming Lok Adalat.

2. A Lok Adalat is a People's Court where parties have an opportunity to directly take part in the resolution of the disputes amicably. Formal rules of procedures and evidence are not applied. It is a speedy, cost effective and creates a permanent win-win situation for the parties.

3. Both pre-litigation and pending cases such as given below can be determined before the National Lok Adalat:

I. Pre-Litigation:
a. Cases under Section 138 NI Act (Cheque bouncing cases);
b. Money/Bank Loan recovery;
c. Electricity and water bills;
d. Family maintenance cases;
e. Other civil disputes.

II. Pending cases in Courts/Tribunals:
a. Cases under Section 138 NI Act (Cheque bouncing cases);
b. Money/Bank Loan recovery cases;
c. Motor Accident Claims;
d. Labour and Employment disputes;
e. Electricity, and other bill payment related cases;
f. Matrimonial disputes (except divorce);
g. Land acquisition (pending before the civil courts/tribunals);
h. Service matters relating to pay and allowances and retiral benefits;
i. Revenue cases.

***** Do the parties need to be physically present before the National Lok Adalat?***

No, the parties do not need to be physically present. They can take part in the Lok Adalat online using a mobile, laptop, computer etc., though video conferencing.

*****Any individual desirous of settling their pre-litgation disputes or those cases pending before the courts through Lok Adalat may kindly contact the following:***

MANIPUR STATE LEGAL SERVICES AUTHORITY,
ADR Building Lamphelpat, Imphal West 795001,
e-mail: maslsa.imphal@gmail.com,
Mobile No. +91-9436239669; +91-9436239666

Helpline number for High Court Legal Services Committee (HCLSC): +91-7005752351

Helpline nos. for District Legal Services Authorities (DLSAs):

1. Imphal West DLSA : +91-6009904967
2. Imphal East DLSA : +91-6009904974
3. Thoubal DLSA : +91-6009904965
4. Bishnupur DLSA : +91-6009904968
5. Ukhrul DLSA : +91-6009904972
6. Churachandpur DLSA : +91-6009904970
7. Chandel DLSA : +91-6009904966
8. Tamenglong DLSA : +91-9856512233
9. Senapati DLSA : +91-6009904969

(Issued in public interest by: Manipur State Legal Services Authority)
Under the aegis of National Legal Services Authority

HL-P/6971/7 & 8 Sept.

ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ / অৰাবা ফোঙদোকচবা

ঙসি তাং ৭/৯/২০২১ লৈবাকপোকপা নুমীৎতা T. Bijoy Singh, General Secretary, AMDRDAEU না সভাপতি ওইনা য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বর ওইবীরম্বা M. Raju Singh, EE, DC-I-West RD&PR (DRDA-WING) না হৌখিবা তাং ৬/৯/২০২১ ইং, নিংথৌকাবা নুমীৎতা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৰাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্লুনা য়ুনিয়ন অসিগী মেম্বরশিংনা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্লুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মতম পূম্বদা ঈংনা-চিক্না শান্তি ওইনা লৈহনবীয়ু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা প্রর্থনা তৌজখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু য়ুনিয়নগী মেম্বর খূদিংমক্না থৱায় হকচাং য়াওনা শরুক য়াজরি।

Sd/- **Publicity Secretary,**
All Manipur D.R.D.A. Employees Union
(AMDRDAEU)

HL-P/6977/8

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Deaths
Manipur	**1,15,584+282**	**1,802+0**
Maharashtra	64,90,000+3,626	1,38,000+37
Kerala	42,30,000+19,688	21,631+135
Karnataka	29,60,000+973	37,426+17
Tamil Nadu	26,20,000+1,556	35,036+18
Andhra Pradesh	20,20,000+739	13,925+14
Uttar Pradesh	17,10,000+12	22,861+5
West Bengal	15,50,000+505	18,515+13
Delhi	14,40,000+32	25,082
Odisha	10,10,000+609	8,055+8
Chhattisgarh	10,00,000+33	13,557+1
Rajasthan	9,54,000+8	8,954
Gujarat	8,26,000+19	10,082
Madhya Pradesh	7,92,000+11	10,516
Haryana	7,71,000+16	9,685+2
Bihar	7,26,000+6	9,656+1
Telangana	6,60,000+301	3,886+2
Punjab	6,01,000+36	16,444+5
Assam	5,93,000+636	5,710+11
Jharkhand	3,48,000+18	5,133
Uttarakhand	3,43,000+25	7,388
Jammu and Kashmir	3,26,000+93	4,410
Himachal Pradesh	2,15,000+228	3,613+2
Goa	1,74,000+67	3,210+2
Puducherry	1,24,000+32	1,818+1
Tripura	83,360+55	803
Meghalaya	77,144+123	1,329
Mizoram	65,696+1,468	226+2
Chandigarh	65,122+1	814
Arunachal Pradesh	53,408+70	267+3
Nagaland	30,388+32	631+5
Sikkim	30,256+14	375+2
Ladakh	20,588+5	207
Lakshadweep	10,348	51
Andaman and Nicobar Islands	7,572	129